

# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, SUNDAY, FEBRUARY 03, 2019 PAGE 7**




*স্পেনগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ক্লব অমা ওইরিবা জিরোনাদা মখা তানা শান্নবগী কোন্ট্রেক্ট সাইন তৌনখ্রবা কৃষ্টিয়ান ষ্টুৱানি*

*ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা লাওথোরকখিবা বেটচৱুমেনশিংগী রেঙ্কিংদা অহানবা পোজিসনদা লৈখ্রবী ইন্দিয়াগী স্মৃতি মন্ধনা*

## বিষ্ণুপুর ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮–১৯
## য়ু কে সি সি এল অমদি কে আর ই সি ফাইনেল শান্নরগনি



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০২ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা মমাঙ চহী দিসেম্বর ১৫ গী টিম ১৫ না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরকপা ৫শুবা ঐচ পিশক মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ গী ফাইনেলদা য়ু কে সি সি এল ওইনাম অমদি কে আর ই সি সগাং গা শান্নগনি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ু কে সি সি এলনা এন সি ৱাই দল্লিয়ু ও নুংশাই চিরুবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এন সি ৱাই দল্লিয়ু ওনা বোল হেন্না পায়দুনা য়ু কে সি সিগী মায়কৈদা এটেক চখদুনা মিনট ২০ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৪ সেংবাইদামনা গোল একাউন্ট হাংদুনা হাল্ফ লোইরবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা গোল শোথরিবা য়ু কে সি সি এলনা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নদুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনবগী মহৈ ফংদুনা জর্সি নম্বর ১৮ সুসিলনা মিনট ৪৪ চৎপদা গোল হন্দোক্তুনা মেটচ অসিগী লমজেলদা অমুক হল্লক্তুনা মিনট ৫৩ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৭ এন আনন্দনা চনখিবা গোল অদুনা ২–১ দা হেন্দুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা য়ু কে সি সি এলগী জর্সি নম্বর ১৫ ও গান্ধী অমদি জর্সি নম্বর ৫ টিঐচ রোজিৎতা রেফরিনা ফাওল শান্নরুবগীদমক য়োল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসি এন বিজেন, অমির খান, এল ননাও অমদি আর কে রঞ্জননা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা কে আর এফ সি সগাংনা সি আর ই এস এ বিষ্ণুপুরবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনটতগী কে আর এফ সি না গোল একাউন্ট হাংনবা হোৎনদুনা মিনট ৯ চৎপদা জর্সি নম্বর ১৯ এস মিনথাংনা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৫৭ চৎপদা সি আর ই এস এগী জর্সি নম্বর ৩ গাইথুপাওনা গোল হন্দোক্তুনা মেটচ অসিগী লমজেলদা অমুক লাক্লবা হোৎনরবসু গোল হন্দোক্লবা মতুং মিনট ৬০ চৎপদা এস মিনথাংনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–১দা কে আর এফ সিনা মাঙজিল থাখি। টিম অসিগী অহুমশুবা গোল অদু এস মিনথাংনা মিনট ৭০ প্লস ৪ দা চনখি।

মেটচ অসিদা আর কে রঞ্জন, এল ননাও, অমির খান অমদি এম বিজেননা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্দ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

## ৫শুবা চীংমী–তম্মী য়ুনিটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯
## এ ৱাই এল সি অরাপ্তি অমদি কৈরাও এফসি মায় পাকখ্রে



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০২ঃ*

চীংমী–তম্মী য়ুনিটি এন্দ দিভলপমেন্ট কম্মিতি কৈরাও কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৯ দগী টিম ২০ না গ্রুপ ৭ থোক্লা খাইদোক্তুনা লেম্বা খুল গ্রাউন্দদা চথরক্লিবা ৫শুবা চীংমী–তম্মী য়ুনিটি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ ৱাই এল সি অরাপ্তি অমদি কৈরাও এফসি মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এস দি এ কিয়ামগৈ মুস্লীম অমদি কে কে এফসি করপুরশুংবা দ্রো চৎখ্রে।

১৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা কৈরাও এফসিনা সি টি য়ু দি সিবু গোল ৮–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কৈরাও এফসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১০ এ নোংথাংনা মিনট ৯, ১৩, ১৪ দা গোল অহুম অদুগা জর্সি নম্বর ৮ এম জোনসননা মিনট ২৬ তা গোল অমা চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৭ এ মুস্তাকনা মিনট ৪৬, ৪৮, ৫৮ দা গোল অহুম অমদি জর্সি নম্বর ১৭ ৱারিসনা মিনট ৬০দা গোল অমা চনখি।

মায়থিরবা সি টি য়ু দি সিগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৮ অনগিল চিরুনা মিনট ৪১ অমদি জর্সি নম্বর ৭ এল লমজিংবনা মিনট ৪৩ দা গোল অমমম চনখি।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এ ৱাই এল সিনা দল্লিয়ু এন ৱাই সি ৱাংখেমবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এ ৱাই এল সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর টু মালেমঙানবদা মিনট ৭ তা গোল অমা অদুগা জর্সি নম্বর ১২ রোসননা মিনট ১৭, ২১ অমদি ২২ দা গোল অহুম চনখি।

মায়থিহৌরবা দল্লিয়ু এন ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ রোবার্টনা মিনট ২২ দা চনখি।

মেটচ অসিদা এ ৱাই এল সিগী জর্সি নম্বর ৩ তোমনাও অমদি জর্সি নম্বর ১৫ নাসিরদা রেফরিনা ফাওল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

১৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এস দি এ কিয়ামগৈ মুস্লীম অমদি কে কে এফ সি করপুরশুংবা গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। মেটচ অসিদা কে কে এফসিগী জর্সি নম্বর ৪ চুজাংগুংদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## মণিপুরগী কেদেট টাইক্কান্দো টিম তামিল নাদুগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০২ঃ*

টাইক্কান্দো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৫ দগী ৮ ফাওবা তামিল নাদুগী পেরিয়ামেদু চেন্নাইদা লৈবা জে এন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা নেসনেল কেদেট কিয়োরুগী অমদি ৪শুবা নেসনেল কেদেট পোমসে টাইক্কান্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা ওফিসিয়েল ২ য়াওনা মেম্বর ২৭ না শাবা ষ্টেটকী টিম ঙরাং তামিল নাদুগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটকী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াগদবা কিয়োরোগী শান্নরোইশিং অদুদি কেজি ৩৩ দা এন এস এগী কে ঐচ সনাতোম্বা, কেজি ৪১ দা ঐচ টি এগী ৱাই রোনেল, কেজি ৪৪দা এন এস এগী এল নোংলৈ খুমনচা, কেজি ৪৯ দা এন এস এগী জেক্সন য়েনশেম্বম, কেজি ৫৩ দা এন এস এগী এ কিষন, কেজি ৫৯ দা সাইগী লাইশ্রম বাব্লু মৈতৈ, কেজি ৬১ দা সাইগী এল্টোন লাইশ্রম, কেজি ৬৫ দা সাইগী টি মালেমঙানবা, কেজি ৬৫ মথক্কীদা সাইগী কাঙুজম মিলননি।

কাঙলুপ অসিগী নুপীমচাগীদা কেজি ৪১ দা পি টি এগী খারিবম চনচন, কেজি ৪৪ দা য়ু টি এগী প্রিয়াদরসনি মায়েংবম, কেজি ৪৭ দা সাইগী থিয়াম লক্কী, কেজি ৫১ দা য়ু টি এগী রাজকুমারী রেসিকা, কেজি ৫৫ দা ঐচ টি এগী থিয়াম সর্বিনা, কেজি ৫৯ দা মার্জিংগী লনচেনবী চিরোম অমদি কেজি ৫৯ মথক্কীদা এন এস এগী চিঙুলৈমা মঙাংনি।

পোমসেগী ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্টতা ঐচ টি এগী সি ঐচ দিনেস অমদি পি টি এগী খ্বাইরকপম লিম্থোইনি।

পিয়র বোইজ ইভেন্টতা এন এস এগী এন য়োইহেনবা মৈতৈ অমদি পিয়র গালর্সতা সাইগী এন ঙানবিথোই চনুনি।

গ্রুপ বোইজ ইভেন্টতা ঐচ টি এগী তোইজম খাঙ্গেম্বা মৈতৈ, থিয়াম অকাস সিংহ, সি ঐচ দিনেস সিংহনি।

গ্রুপ গালর্সকী ইভেন্টতা য়ু টি এগী মার্টিনা ৱাহেংবম, লিম্থোই পোৎশঙবম অমদি প্রিয়াদরসিনি মায়েংবমনি।

টিম অসি বোইজগী কোচতা ৱাই সান্তিবালা দেবী অমদি গালর্সকী কোচতা কে নাওচা দেবীনা লুচিংলি।

## থাইলেন্দ ওপন টেন্নিসকী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়াষ্ট্রেমস্কা অমদি টোমলজানোভিস শান্নরগনি

*হুৱা হিন, ফেব্রুৱারি ০২ঃ*

থাইলেন্দগী সিটি হুৱা হিনদা চথুরিবা থাইলেন্দ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী য়াষ্ট্রেমস্কা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমলজানোভিস লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী য়ুক্রেনগী দি য়াষ্ট্রেমস্কানা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা পোলেন্দগী এম লিনেটপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমলজানোভিসনা স্লোভেনিয়াগী টি জিদানসেকপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী য়াষ্টেমস্কাগা শান্নগদৌরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র রোমানিয়াগী আই সি বেগু অমদি মোনিকা নিকুলেস্কুনা রুশিয়াগী এ ব্লিনকোভা অমদি চাইনাগী ৱাই ৱাংগা লম্বা তৌনরগনি।

রোমানিয়াগী বেগু অমদি নিকুলেস্কুনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী এক্স হান অমদি ক্রোএসিয়াগী দি জুরাকপু ষ্ট্রেট সেট ৭–৬(৭–৪), ৬–২ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা রুশিয়াগী এ ব্লিনকোভা অমদি চাইনাগী ৱাই ৱাংনা ৩শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী এস পেং অমদি জেট য়াংবু ৭–৬(৭–৫), ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

## ইন্দিয়া অমদি আয়রলেন্দগী অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*মুরসিয়া, ফেব্রুৱারি ০২ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না ঙসি আয়রলেন্দগী নুপী হোক্কী টিমগা শান্নখিবা অহানবা ফ্রেন্দলি মেটচ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না হন্দক্তা স্পেনগা শান্নবা লোইশিনখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ ৪ দা টিম অনীমক মেটচ অমমম মায় পাক্লরবা মতুং মেটচ অনী দ্রো চৎখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদা অমনা অমগী মায়োক্তা এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু মতম খরা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী দ্রেকফ্লিকর গুরজিৎ কোরনা আয়রলেন্দগী গোলকিপর ইম্মা বুক্লি মায়থিবা পীরম্লগা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। অহানবা হল্ফকী লেমহৌবা মতম অদুদা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৫শুবা মিনটতা আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সারাহ হোকসোনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি। মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা টোটেনহাম হোটস্পর মায় পাকখ্রে

*লন্দন, ফেব্রুৱারি ০২ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ২৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগকী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

লন্দনদা লৈবা ৱেমব্লি ষ্টেদিয়মদা টোটেনহাম হোটস্পর অমদি ন্যুকেষ্টল য়ুনাইটেদনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সোন হিয়ুং মিননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ১–০ দা মায় পাক্লুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

স্পেনদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এসদি হুয়েস্কানা ভলাদোলিদপু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

এসদি হুয়েস্কাগী পাঞ্জলশিং অদু ইনরিক গালেগো (১৯), জোর্জ পুলিদো (৫০), মোই গোমেজ (৫৩) অমদি ইজেকুয়েল এভিলা (৭৭) শুবা মিনটতা চনখি।

### ক্রোসৱার্দ ৬১ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | O | A | T | ■ | S | O | L | I | D | ■ | A | C | R | E |
| O | B | O | E | ■ | E | V | A | D | E | ■ | F | L | E | D |
| M | E | R | E | ■ | N | E | W | E | N | G | L | A | N | D |
| E | S | T | ■ | M | A | N | N | A | ■ | N | A | S | T | Y |
| T | E | A | P | O | T | ■ | ■ | ■ | S | U | M | S | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | E | L | E | G | A | N | T | ■ | E | R | R | S |
| D | I | D | N | T | ■ | A | G | U | A | ■ | ■ | O | I | L |
| E | D | E | N | ■ | A | L | E | R | T | ■ | R | O | D | E |
| E | L | L | ■ | ■ | P | A | N | S | ■ | A | I | M | E | D |
| P | E | A | S | ■ | E | S | T | E | E | M | S | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | R | E | A | R | ■ | ■ | ■ | V | I | E | N | N | A |
| S | H | E | L | L | ■ | E | B | B | E | D | ■ | O | O | H |
| T | E | N | D | E | R | L | O | I | N | ■ | L | O | B | E |
| A | L | T | O | ■ | E | L | A | T | E | ■ | A | S | E | A |
| S | L | A | M | ■ | D | A | R | E | D | ■ | W | E | L | D |


**In the Court of Sub-Deputy Collector, Moirang**

*Ref. :- Mut. Cass No. 188/SDC/M dated 01/02/2019*

1) Ningthoujam Rajen Singh S/o Late N. Manikchao Singh of Thangalawai (area of 0.31 acre in Southern side)
2. Ningthoujam Deban Meitei S/o Late N. Manikchao Singh of -do- (area of 0.31 acre in Northern side)

***-Verses-***

Late Ningthoujam Mani Singh S/o Late N. Mantri Singh of Thangalawai

**NOTICE**

*Moirang, the 1st Feb. 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৪–খা থিনুঙ্গৈ অনৌবা পাট্টা নং ৪৫২ পাট্টাগী দাগ নং ৪২৮৩ দাগকী এরিয়া ২.২৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃঃ ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা ইংখোল অসিগী মৃঃ পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মীং ওন্নবা থারক্লিবা এরিয়া অদুদি ০.৬২ একরগী লমনি। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা উক্ত কোর্ট অসিদা ৱাকৎলবা য়াগনি। মসিগী মতুং লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস চথগনি।


**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Moirang

**SL/4395 (B)/3**



**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICKSAMPLE



[illegible] (From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.

*SL/1198/Alt.50 days*



**In the Court of Sub-Deputy Collector Moirang**

*Ref. :- Mut. Cass No. 190/SDC/M dated 01/02/2019*

1) Ningthoujam Shamu Singh S/o Late N. Tombinou Singh of Moirang Khunou (area of 0.42 acre in Southern side)
2. N. Sobha Singh S/o Late -do- of -do- (area of 0.42 acre in Centre side)
3. N. Ingocha Singh S/o Late -do- of -do- (area of 0.42 acre in Northern side)

***-Verses-***

Late Ningthoujam Tombinou Singh S/o Late Ningthoujam Chaobhal Singh of -do-

**NOTICE**

*Moirang, the 1st Feb. 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫৪–খা থিনুঙ্গৈ অনৌবা পাট্টা নং ৪২৯ পাট্টাগী দাগ নং ৩০৪১ দাগকী এরিয়া ১.২৬ একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার মশা মৃঃ ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা মৃঃ পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা য়েৎপিরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি ওবজেক্সন অমত্তা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস চথগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Moirang

**SL/4395(A)/3**



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 164/SDC/P of 2019

1. Thounaojam Satyabhama Devi W/o (L) Th. Manichandra Singh of New Checkon
Petitioner

-Vs-

Th. Manichandra Singh S/o Th. Nilamani Singh of New Checkon = Co-Pattadar No. 1 (One)
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 1st Feb. 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 102-Hafiz Hatta গী Patta No. 16/ Angsh (অরিবা) 107/109 (অনৌবা) C.S. Dag No. 84/188 an area 0.115 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 (One) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 (One) গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

*SL/Bill(L)/3(E)*



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 165/SDC/P of 2019

1. Yensembam Surchand Meitei S/o (L) Y. Yaima Singh of Porompat Kshetri Leikai
Petitioner

-Vs-

Y. Yaima Singh S/o (L) Y. Mani Singh of Porompat Kshetri Leikai
O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 1st Feb. 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 28-Porompat গী Patta No. 33/ Angsh (অরিবা) 12 (অনৌবা) C.S. Dag No. 133 an area 0.255 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

*SL/Bill(L)/3(F)*